

লৈঙাক্না ৫০০ অমসুং ১০০০ চৎপী চৎনরোই লাউথোকখিবা মতুং উত্তরপ্রদেশকী মিরজাপুরদা ঙসি গঙ্গা তুরেলদা ৫০০ অমসুং ১০০০ চৎপী নোট কয়া তাওথরকখ্রে। তাওথরকখিবা শেনয়েকশিং অদু মীয়াম্না খুল্লবা মতুং পাউমীশিংদা উথোকখ্রে

# ইন্দিয়ানা মালেমগী ওইবা ওপন ইকোনোমি চৎনহন্নবা পান্দম থল্লি ঃ মোদি

*ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ১১ঃ*

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি জপাননা বার্ত্তন তৌরক্তুনা জপানদা থুংখ্রবা মতুং লৈবাক অসিনা শেল-থুমগী লমদা হেন্না ফগৎহন্নবা থবক পায়খৎলি। লৈঙাক অসিনা মালেমগী ওইবা ওপন ইকোনোমি অমা লৈহন্নবা পান্দম থল্লি।

ইন্দিয়া-জপানগী করবাররালাশিংগী লুচিংবশিংগী ফোরমদা লুচিংবা অদুনা হায়, জি এস টি খুৎমাং চাওশীল্লক্লি। রাজনিতিগী লমদা শেমদোকপা অমসুং লৈবাক অসিগী শেল থাদবীনবা করবার তৌবদা লায়হন্নবা থবক পায়খৎলি।

লুচিংবা অদুনা হায়, মখা তানা লৈবাক অসিগী রাজনিতিগী লমদা শেমদোক্লবা থবক তৌরি। মেক ইন ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা করবারগী থৌশিল কয়া ত্রান্সপ্রেন্সি লৈনা থবক তৌহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি।

ইন্দিয়া হৌজিক শেল-থুমগী লমদা অনৌবা মায়কৈ অমরোমদা চংশিল্লক্লি বনি। মালেমগী ওইনা ওপন ইকোনোমি চৎনহন্নবা লৈঙাক অসিনা থৌশিল পায়খৎলি।

ইন্দিয়া চাওখৎপা তঙাইফদে, জপানগী কম্পেনিশিংদগী খুদোংচাবা কয়া ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈ। লৈবাক অসিবু চাওখৎহনবা হায়বসিদা অহানবা মীৎয়েং থল্লি। ইনভাইরোন্টমেন্ট-ফ্রেন্দলি মেন্নরদা লৈবাক অসি শেমগৎনবা হোৎনরি।

জপাননা হার্দ ৱেয়রগী লমদা শীংথানিংঙাই ওইবা মতেং পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুগুম্বা ৱাফমশিং অদু চপ চানা থবক ওন্থোকপা তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

# ইন্দিয়া জপাননা শীংথানিংঙাই ওইরগদবা ন্যুক্লিয়র দিল সাইন তৌনখ্রে



*ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ১১ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং জপাননা ঙসি ন্যুক্লিয়রগী লমদা মতেং পীননবা দিল সাইন তৌনখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কা ফম মান্নবা জপানগী সিঞ্জো অবেগা ৱারী শান্নরবা মতুং লৈবাক অনীগী মরক্তা শেল-থুম, সিক্যুরিটি অমসুং অতোপ্পা হিরমশিংদা মতেং পাংননবা অমসুং য়ু এসতা বেজ তৌবা এটোমিক প্লান্টশিংগী লমদসু মতেং পীননবা সাইন তৌনখ্রে।

লৈবাক অনীনা সিভিল ন্যুক্লিয়র সেক্টরদা মতেং পীননবা য়ান্নখি। মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা সিঞ্জো অবে ইন্দিয়াদা লাক্লমখি। অদুম ওইনমক ঙসি লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ান্না ৱারোল সাইন তৌনখিবা অসিগুম্না য়ান্নবদি লৈখিদে।

শীংথানিংঙাই ওইবা থৌশিল অমা ওইনা লৈবাক অনীগী লুচিংবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং জপানগী মহাক্কা ফম মান্নবা সিঞ্জো অবেগা য়ান্না চেরোল কয়া সাইন তৌনখ্রে।

য়ান্নখিবা ৱারোলগী মতুং ইন্না জপাননা ইন্দিয়াদা ন্যুক্লিয়র টেক্নোলোজি পীবগী ৱাফম য়াওরি। নন পোলিফেরেসন ত্রিতিগী সিগনেটরি ওইরিবা লৈবাক অদুনা অহানবা ওইনা ন্যুক্লিয়র টেক্নোলোজি ইন্দিয়াদা পীননবা অহানবা খোঙথাং অমা ওইরি।

মদুতা নত্তনা লৈবাক অনীনা শেল-থুম অমসুং সিক্যুরিটিগী লমদসু মতেং পীনবা য়ান্নখি। জপানদা রাজনিতিগী ওইবা অথিংবা কয়া লৈরি। মালেমগী অনীশুবা লানদা এটোম বোম থাদরকপদগী অচৌবা চৈথেং ফংখ্রবা লৈবাক অদুনা ইন্দিয়াগা ন্যুক্লিয়রগী লমদা য়ান্না চেরোলশিং অদু সাইন তৌনখিবনি।

হুকুসিমা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট ইং ২০১১দা অমাং অতা থোকখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগা সাইন তৌনবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। ন্যুক্লিয়র ইন্নর্জি মার্কেট অমসুং এটোমিক দিলগী লমদা জপান মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা লৈবাকনি।

য়ু এসতা বেজ তৌবা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট শেম শাবা ৱেষ্টিং হাউস ইলেক্ট্রোনিক কোর্পোরেসন অমসুং জি ই ইন্নর্জি ইঙ্কনা লাইনা ন্যুক্লিয়র প্লান্টশিং শেমগৎপা ঙল্লি।

ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা সাইন তৌনখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া য়াওরি। অদুগা অতোপ্পা লৈবাকশিং অদুনা য়ু এস, রসিয়া, সাউথ কোরিয়, মঙ্গোলিয়া, ফ্রান্স, নামিবিয়া, আর্জেন্টিনা, কজাকস্থান অমসুং অষ্ট্রেলিয়ানি হায়রি।

# গাজিয়াবাদকী আইন কাইনা ফিরোল শাবা ফেক্টরি মৈ চাকপদা মীওই ১৩ শীরে

*গাজিয়াবাদ, নভেম্বর ১১ঃ*

গাজিয়াবাদকী মফম অমদা আইন কাইনা ফিরোল পৈশিংবা অমসুং লল্লোল ইতিক তৌফম অমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইলেক্ট্রিক্ট সোর্ট সার্ক্যুটনা মরম ওইরগা মৈ হৌহনখিবনি চীংনবা থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শীরে হায়না গাজিয়াবাদ পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মী কুংনা তাবা গাজিয়াবদাকী সহিদ নগরদা লৈবা ফেক্টরি অদুদা মৈ হৌরকপনা মরম ওইরগা মীওই কয়া মৈনা চাক্তুনা শীখি, অদুগা কয়ানা শ্বর ফুন্দুনা শীখি। ফেক্টরি অদুদা থবক তৌবা মীওই ১৬কী মনুংদা মীওই ৩ হিংহৌখি। মখোয়সু অশোক অপন নংবনা মরম ওইরগা হোস্পিটালদা লায়কন্নখি।

গাজিয়াবাদ দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেট নিধি কেসর ৱানিনা হায়, মীওইশিং অদু তুল্লিঙৈদা মৈ হৌরকপনা মরম ওইরগা চাওনা মীশি-মীনা থোকহনখি।

মৈ অদু করম তৌনা হৌরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই ৩ হিংহৌরে, অদুগা ১৩না শীখ্রে হায়রি।

মীওইশিং অদু কা অমগী মনুংদা তুমদুনা লৈরিঙৈদা মৈ চাকলকপা অদুনা মরম ওইরগা শীখিবনি। মৈ অদু ঙসি অয়ুক পুং ৪ রোম তাবদগী চাকপা হৌরকখি। ফেক্টরি অদুগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদগী চাকপা হৌরকখিবা মৈ অদুনা মথং মথং শন্দোরক্তুনা মথক থংনা লৈবা মথোল অনীদসু শন্দোরকখি।

থবক শুবা মীওইশিং অদু মথক ইথং থংবা ফ্লোরদা লৈবনি। ফায়র দিপার্টমেন্টনা অয়ুক্কী পুং ৫.২০ চৎপদগী মৈ অদু কন্ননবা হোৎনখি। মিটর ৯ নত্রগা ১০ পাকপা লম্বী অদু পোৎ-চৈ কয়া চাইদুনা লৈবা অমসুং গারী কয়া খামজিন্দুনা লৈবনা খুদোংচাদবা থোকহনখি।

লমদম অদুদা লৈবা মীয়ামশিংনা য়ুম শাবগী কাংলোন ঙাক্তুনা য়ুম শাজিনবনা মরম ওইরগা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। মীওই অমনা হায়, মহাক্কী লম মৈ চাক্লিবা মফম অদুগী মায়োক্লবদা লৈখি।

য়ুম শাদুনা মফম অদু শান্দোক্তুনা থমখি। লমদম অদুদা মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখিবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া মীপায়বা পোকহনখি। ফিরোল য়োনবা দুকান অদুদা শীন্মীশিংগী ঙাক শেনগী চপ চাবা থবক লৌখৎতবনা মীওই কয়া শীহনখিবগী মরম ওইবনি হায়রি।

# অগরটালা এয়ারপোর্টতা বঙ্গলাদেশ মচা অনী ফারে

*অগরটাল, নভেম্বর ১১ঃ*

ত্রিপুরাগী অগরটালা এয়ারপোর্টতা চপ চাবা চে-চাং অমত্তা য়াওদনা থুংলখিবা বঙ্গলাদেশ মচা অনী ঙসি পুলিসনা ফারে। এয়ারপোর্ট পুলিস ষ্টেসনগী ইন চার্জ রানা চেটর্জিনা হায়, অব্দুল মোমিন সৈখ (২৪) অমসুং সাজিৎ আলম সেন্ত্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সিক্যুরিটি ফোর্স (সি আই এস এফ)না ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ফাগৎলকখিবনি।

মখোয় স্পাইস জেট ফ্লাইটতা কোলকতা ফাওনা মুম্বাই চৎননবা হোৎনরমখি। চীংনবগা লোয়নন্না সি আই এস এফ ওফিসিয়েলশিংনা মখোয়গী আইদেন্টিটি কার্দ উৎননবা হংবদা মীওইশিং অদুনা ইন্দিয়াগী পান কার্দ অমসুং অধার কার্দ উৎলকখি। অদুম ওইনমক কার্দশিং অদুদা ইরম্বা লৈফমশিং মান্নদবা থেংনখি।

মখা তানা ৱাহং পাউহং চথবদা মীওইশিং অদু বঙ্গলাদেশকী নাওখালি দিষ্ট্রিক্টতগী লাকখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। সি আই এস এফনা ফারবা মীওইশিং অদু মখা তানা থিজিন্নবগীদমক অগরটালা এয়ারপোর্ট পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নরকখিবনি হায়রি।

অব্দুল মোমিন সৈখ মুম্বাইদা লৈবা মোস্ক অমদা ইমাম অমা ওইনা থবক তৌই। সাজিৎ আলম ইমাম অদুগী মনাওনুপানি। মখোয় মুম্বাইদগী পান কার্দ অমসুং অধার কার্দ পায়রমখি।

মখোয় ময়ুম লমদম বঙ্গলাদেশকী নাওখালিদা চৎলুরবা মতুং ঙরাং মুম্বাইদা হল্লকুবা লাকখিবনি। মীওইশিং অদু ষ্টেট পুলিস অমসুং সেন্ত্রেল ইন্টিলিজেন্সনা ৱাহং পাউহং চথরি হায়খি।

# জম্মুদা বস ৫ মৈ চাকখ্রে



*জম্মু, নভেম্বর ১১ঃ*

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী জম্মু সহরদা বস ৫ মৈ চাকখ্রে। বসশিং অদু মৈ অদুনা মরম ওইরগা লৌবা য়াদনা মাং তাকখ্রে। অদুম ওইনমক মীশি-মীনা থোকপগী পাউদি লৈতে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং নুমিদাং বস ৫ অদু মৈ চাকখি হায়না জম্মুগী পুসিল ইনচার্জ কুনল জামৱালনা ফোঙদোরক্লি।

মৈ চাক্লে হায়বা পাউংবদগী পুলিসকী গারী ২৫ রোম মফম অদুদা থোমজিনখি। থৌদোক অদুগী পুং খরগী মনুংদা মৈ অদু মুথৎপা ঙমখি। ঙরাং অহিং অথেংবদা মৈ মুথৎপা ঙমখিবা থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিদ্রে।

মৈ অদু করম তৌনা হৌরকখিবনো হায়বা থিজিল্লগনি হায়রি।

# থাগী লৈমায়দা তারুগদবা চন্দ্রায়ন – ২ মিসন চাংয়েং তৌবা হৌখ্রে

*অহামেদবাদ, নভেম্বর ১১ঃ*

থাগী লৈমায়দা তারুগদবা চন্দ্রয়ান – ২ মিসন পাঙথোক্লবগীদমক করনাটকাদা ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)না চাংয়েং তৌবা হৌখ্রে হায়না ইরোগী চেয়ারমেন এ এস কিরন কুমারনা ঙসি ফেঙদোরক্লি।

কিরন কুমারনা ফোঙদোরকখিবদর থাগী লৈমায়দা লৈবা অকুৎ অতোং অমদি ক্রিয়েটরশিং য়েংশিনবগী খুদোংচাবা লৈগদবা মচাক চপ চানা য়াওরবা চন্দ্রয়রন –২ থাগী লৈমায়দা তারুগদবনি।

থাগী লৈমায়দা তারুগদবা পায়খৎপা চন্দ্রায়ন মিসিনগীদমক চাংয়েং পাঙথোকপা হৌখ্রে। মদুগীদমক এয়ারক্রাফশিংনা অখন্নবা খুৎশু-খুৎলায়শিং পুদুনা করনাটকাগী লল্লকেরেদগী কাপখৎকদৌরিবা সেটিলাইট অদুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।


ফিজিকেল রিছার্স লেভোরেটোরিগী মকোক কুমারনা হায়, থাগী লৈমায়দা ক্রিয়েটর অমা শেমগনি। থাগী লৈমায়দা তারুগদবা সেটিলাইট অদুদা অমাং অতা থোকহন্দনবা থবক পায়খৎলি।

লেন্দুর অদুনা থাগী লৈমায়দা তারবা মতুং লৈমায় অদুদা চৎতুনা য়েংশিনগনি। লোয়নন্না লৈমায় অদুদা লৈকুৎ লৈরাই কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বদু য়েংশিনগনি।

থাগী লৈমায়দা তারুগদবা স্পেস ক্রাফ অদুগী অশাংবা মখোঙশিংনা ক্রিয়েটর কয়া ফওদুদনা চৎকনি। ইসরোগী ৱেব সাইটনা ফোঙদোরকখিবদা চন্দ্রায়ন ২ ইন্দিয়ানা থাগী লৈমায়দা কাপ্পা অনীশুবা মিসন অমনি।

মমাঙদা চন্দ্রয়ন ১ মিসন পাঙথোকখিবা লৈখ্রে। চন্দ্রায়ন ১দি থাগী লৈমায়দা উংহন্দুনা থমখিবনি। নৌনা কাপখৎকদৌরিবা চন্দ্রায়ন ২ স্পেস ক্রাফ অদুদি থাগী লৈমায়দা অকক্লবা মফম অমতদা তাহন্দুনা য়েংশিনবগী থবক চথগনি হায়রি।

# অনৌবা শেনয়েকশিং মতিক চানা ফংহনগনি, মীয়াম্না ঙাইবিয়ু ঃ আর বি আই



*ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ১১ঃ*

খোইশাওনরবা মশিং য়াল্লবা মীয়াম্না ওল টেল্লর মেছিন (এ টি এম) বুথ মমাং অমসুং বেঙ্ক কয়াগী মমাঙদা অনৌবা শেনয়েকশিং ওন্থোক্লবা মীওই কয়া পরেং শানা লেপ্তুনা ঙাইনরি।

ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা হায়, মীপুম খুদিংমক্না ইংথনা লৈবিয়ু। লৈবাক অসিগী বেঙ্ক খুদিংমক্তা অনৌবা শেনয়েকশিং ফংহন্ননবা মতিক চাবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

নুমিৎ নিনিগী মতুংদা এ টি এম বুথশিং হাংদোরক্লে। অদুম ওইনমক এ টি এম বুথ কয়াদি শেল লৌথোকপা য়াদনা লৈরি। বুথ অয়াম্বা শেল য়াওদবা ঙাক্তা ওইরমখি হায়রি।

রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা হায়, বেঙ্ক কয়ানা শেল হনখিনবগী থৌশিল পায়খৎলে। অদুম ওইনমক নোংমদা একাউন্ট অমদগী লুপা লিশিং ২দগী হেন্না লৌথোকপা য়াদবগী অথিংবা লৈবগী মতাংদা মীওই কয়ানা ৱাকৎলক্লি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৫০০ অমসুং ১০০০ চৎপীশিং চৎনরোই হায়না লাউথোকখিবা মতুং লৈবাক অসিদা লৈবা মীয়ামদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা থোকহনখি।

লৈঙাক অসিনা ব্লেক মনি অমসুং টেরোরিষ্টশিংগী শেলশিং লাকশিন্নবা হোৎনবা থৌশিলনি হায়রবসু চরাংনবা কয়া থোকখি। ২০০০ অমসুং ৫০০ চৎপীগী নোট শিং ঙরাং হৌদোকখ্রবসু বেঙ্কশিংদগী হায়রিবা শেনয়েকশিং অদু ওন্থোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা খুদোংচাদবা ফিভম অদু মীয়াম্না মতম খরগী ওইনা খাংবীনবা অপিল তৌখিবসু লৈখ্রে। ঙসি রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীয়ামদা অনৌবা শেনয়েকশি ফংহন্নবা লৈবাক শিন-থুংনা চৎনগদবা অখন্নবা থৌশিল পায়খৎলে।

বেঙ্কশিংদগী চপ চাবা অনৌবা নোটশিং ফংহন্নবা শেম শারে। আর বি আইগী মতুং ইন্না এ টি এম বুথশিংনা মথৌ তৌবা হৌখ্রবদি মীয়াম্না মখোয়না পাল্লিবা শেনফমশিং অদু খ্বাইদগী ৱাংবা চাংদা চিংথোকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফংগনি।

নভেম্বর ১৮দগী কার্দ অমনা নোংমদা লুপা লিশিং ২ লৌথোকপা য়াগনি অদুগা বেঙ্কতগীনা লুপা লিশিং ৪ লৌথোকপা য়াগনি হায়রি।

# টালিবানশিংনা অফগানিস্তানদা লৈবা জর্মন কন্সুলেটতা এটেক্ট চথখ্রে, মীওই ৬ শীরে



*মাজর-ই-সরিফ, নভেম্বর ১১ঃ*

অফগানিস্তানদা লৈবা জর্মন কন্সুলেটতা টলিবানশিংনা ত্রক বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক্ট চথবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শীরে। অদুগা ১০০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

শগোলশেন নুমিৎকী অথেংবদা বোম পোকখায়হন্দুনা চথখিবা টালিবানশিংগী এটেক্ট অদুনা অচৌবা কোম অমা তৌবগা লোয়নন্না কার কয়া মথক মখা ওন্দুনা তাশিনখি।

য়ু এসনা চৎলিবা থা অসিদা ইরাং নংলবা কুন্দুজতা এয়ারষ্ট্রাইক চথবদা মীচম ৩২ শীহনখিবসু লৈখি। জর্মন কন্সুলেটতা চাওনা বোম পোকখায়খ্রবা মতুং নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি।

বোম পোকখায়খিবা অদুনা মনাক নকপদা লৈবা য়ুম কয়া অমসুং দুকানশিং থোঙ থোংনাও অকিবা ফংনা কাইহনখি। অদুগা মীওই কয়াসু ময়ুম থাদোক্তুনা কোয়চেন চেন্নখি।

জর্মন কন্সুলেটতা পোকখায়বা য়াবা মচাক থন্না য়াওবা ত্রক অমা থৌজিল্লক্তুনা পোকখায়হল্লকখি হায়না মাজর-ই-সরিফকী পুলিসকী মকোক সয়িদ কমল সদাদনা ফোঙদোরক্লি।

অফগানিস্তানদা লৈবা জর্মন কন্সুলেটকী ষ্টাফশিংনা অশোই অমাং নংখিবা লৈতে হায়না বর্লিনগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অদুদা অফগানিস্তানগী মীচম কয়া শীখি। মদুগী মনুংদা মোটোর সাইকল থৌদুনা লাকপা মীওই অনী নোংমৈ পায়বশিংনা কাপ্তুনা হাৎখিবসু য়াওরি হায়খি।

দিপ্লোমেট মিসনগী ওফিসতা ঙসি অয়ুক অঙনবদা চীংনবা য়াবা ফিভমশিং উখি হায়না লমদম অদুগী দিপ্যুতি পুলিস চীফ অব্দুল রজাক কাদ্রিনা ফোঙদোরক্লি।

লোকেল ডাক্তর নুর মুহম্মদ ফায়িজনা হায়, সিটি হোস্পিটালদা অশিবা হকচাং ৬ লৈরে। মখোয়গী মনুংদা অনীদি নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শীখিবনি। য়ামদ্রবদা মীওই ১২৮না অশোক অপন নংখ্রে। মখোয়গী মনুংদা মীওই কয়াগী ফিভম লুরি। অশোকপশিংগী মনুংদা স্পাইরেল ইঞ্জুরি লৈবা য়াওরি।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা জর্মন কন্সুলেট বিল্ডিং অদু চাওনা অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়না জর্মন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি। লুচিংবা অদুনা হায়, অফগানিস্তানগী অশোক অপন নংলবা মীয়ামশিংগীদমক মীনুংশি ফাওই।

বর্লিনগী দিপ্লোমেটিক সোর্সনা হায়, ফোরেন মিনিষ্টর ফ্রেঙ্ক ৱালটর ষ্টৈনমিয়রনা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। কন্সুলেট ওফিস অদুগী মমাঙদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক কয়াসু থোক্লি হায়রি।

অফগানিস্তান স্পিসিয়েল ফোর্সনা কন্সুলেটকী ওফিসকী অকোইবশিং ঙাক শেন্দুনা থমখ্রে। লমদম অদুগী অতিয়াদা হেলিকোপ্টর পায়দুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়রি।

# দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং বরাক ওবামা হ্বাইট হাউসতা উন্নখ্রে

*ৱাশিংটন, নভেম্বর ১১ঃ*

অঙাকপা মওংদা মায় পাক্লকখ্রবা মতম শাংনা রাজনিতিগী মায়োক্লনা লাকখিবা দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং প্রসিদেন্ট বরাক ওবামা ঙসি হ্বাইট হাউসতা উন্নখ্রে। লুচিংবা অনী অদু মায়োক্লনা ওভেল ওফিসতা উন্নবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

পার্ট মীশিংগা অতেনবা ওইনা উন্নখিবা অমদা ওবামানা হায়, ত্রম্প প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা মীশকনি। মহাক্কা লৈবাক অসিগী মপুং ফাবা য়াইফ থৌরাং পায়খৎতুনা মকোক থোংবা রাজনিতিগী থৌশিল মীৎয়েং থম্লক্কনি হায়বা থাজে।

জোর্জ ৱাশিংটনগী মতুংদা মথং মথং লুচিংবা কয়ানা ফম্লকখ্রবা খ্বাইদগী ৱাংবা ফম্ফম অদু ত্রম্পনা ফম্লগনি। লোয়নন্না লৈবাক অসিগী হেন্না ফবা মায়কৈদা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খি।

শগোলশেন নুমিৎতা অখন্নবা উন্নখ্রবা মতুং হ্বাইট হাউসকী কেপিটোল হিলগী স্পিকর পাউলরেন আরৱিজ অমসুং সিনেট মেজোরিটি লিদর মিটচ মেক কোনেলনা লৈবাক অদুগী মেজোরিটি সেনিয়র লিদর আর কে ৱাইগা উন্নখি।

ন্যু য়োক্তগী মশাগী লন্নাই জেটতা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা অনৌবা কেমেরাশিং পাল্লিবা মফম অমদি প্রসিদেন্টকী ষ্টাফশিং অদু উন্নদনা খা থংবা লোনদগী চংলকখি অমসুং মীয়াম্না খন্নরমদবা মওংদা ওবামাগা য়াম্না শাংনা ৱারী শান্নখি।

তশেংবগীদি ত্রম্পকী মতুং ইন্না মিনিট ১৫ রোমদগী হেন্না ৱারী শান্নখ্রে হায়না খনখিবনি। মদুগী মতাংদা হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি জোর্স আরনেসনা ফোঙদোকখিবদা লুচিংবা অনী অদুনা উন্নখিবা অদুদা মখোয় অনীগী মরক্তা মত খেন্নবা অদু লোইশিন্নবা হোৎনখিবা লৈখিদে।

ওবামা অমসুং ত্রম্প অনীনা উন্নখিবা অদু ষ্টাফ অমত্তা য়াওখিদে। অমসুং মখোয়গী মরু ওইবা ৱারীদি হ্বাইট হাউস অসিগী ষ্টাফ মতৌ করম্না থমগদগে অমসুং মালেমগী মনুংদা শক্লাইরবা হাউস অমা ওইহনগদগে হায়বগী মতাংদা মরু ওইনা খন্নখিবনি হায়রি।

# আই এসনা ইরাক্তা মীচম ৪০ ইলেক্ট্রিক্ট পোলদা য়ানশিন্দুনা থল্লম্লে

*বাগদাদ, নভেম্বর ১১ঃ*

ইরাক্কী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা ইলেক্ট্রিক্ট পোলদা মীওই ৪০ রোম আই এসনা থৌরি য়ানশিন্দুনা থল্লম্লে। মোসুল সহরদা মীওই অমা মীয়াম মমাঙ মক্তদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখি। মদু আই এসনা থিংখ্রবা মোবাইও ফোন শীজিন্নবনি হায়রি। ইরাক সিক্যুরিটি ফোর্সনা মোসুলদগী আই এস তকথোক্লবা মখা তানা অকনবা খোঙজং চংশিল্লি। য়ু এনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইরাক্তা মশানা মশাবু অচৌবনি হায়জবশিংনা মীচম কয়া হাৎপগী থবক চথরি।

য়ু এননা হায়, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা ঘাবট মিলিটরি বেজতা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা মীচম ২০ শীহনখিবসু লৈখ্রে। হায়রিবা মফম অদু ইরাক্কী মরু ওইবা সহর মোসুলগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবনি। য়ু এনগী মতুং ইন্না আই এসনা নহা ওইরিবা মীওই কয়া লালহৌবগী থবক্তা শীজিন্নরি হায়রি।

সনা-সুদোকু- ৭৩৪ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 6 | 3 | 4 | 5 | 1 | 9 | 8 | 7 |
| 8 | 1 | 9 | 2 | 6 | 7 | 5 | 4 | 3 |
| 7 | 4 | 5 | 9 | 8 | 3 | 2 | 6 | 1 |
| 5 | 2 | 4 | 7 | 1 | 6 | 3 | 9 | 8 |
| 1 | 3 | 7 | 8 | 4 | 9 | 6 | 2 | 5 |
| 9 | 8 | 6 | 5 | 3 | 2 | 7 | 1 | 4 |
| 3 | 7 | 2 | 1 | 9 | 4 | 8 | 5 | 6 |
| 6 | 5 | 1 | 3 | 2 | 8 | 4 | 7 | 9 |
| 4 | 9 | 8 | 6 | 7 | 5 | 1 | 3 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-735**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | 4 | 5 | | | 8 | |
| | | 9 | | 6 | | | 4 | 3 |
| 7 | | | | | | | | 1 |
| 5 | | | | | | 3 | | |
| 1 | | 7 | 8 | | 9 | 6 | | |
| | 8 | | | | 2 | | | |
| 3 | 7 | | 1 | | | | 5 | 6 |
| | | | | 2 | 8 | 4 | | 9 |
| 4 | | 8 | | | 5 | 1 | | 2 |